মতম মতমগী ৱাফম

# লমজা পরশুরামগী তা-তোমাল শাবা হুইরেম মংলেম

**চাউখৎলবা** মতম অসি ফাওবদা, ফাগী তম্নবগী স্কুল, মীবু নোকহনবা ঙম্নবগী তম্ফম মহৈলোয়শং লৈতে। ফাগী হায়রগা ঐখোয়না হন্থবা থাক অমদা নৎত্রগা করেম্নবা পোৎশক অমদা লৌবসু য়াদে। ফাগী তৌবা অসিগা ওইদবা ঙাঙবগা অনী অসিসু য়াম্না লাপ্নে। মশক মওং মান্নদে। কনাগুম্বনা ফাগী তৌববু ওইদবা ঙাঙবনি হায়না লৌবসু য়াওই। ফাগী তৌদুনা মীবু নোকহনবা হায়বসিদা ফাগী তৌগদৌরিবা নৎত্রগা ফাগী পুরিবা মীশক অদুগী তোপ তোপ্পা পীথোকলকপা অমা য়াওজরি। মসিদা লোয়নরিবা পীথোকলকপা মচৎ নৎত্রগা মশক অসি মপুং ফারবা উহৈ অমনি। মাঙোন্দা য়াওরিবা ময়াই অসি 'পকচবা' হায়বা অদুনি। পকচদবা ফাগীদি ওইদবা ঙাঙবদুনি হায়না লৌববু য়াই।

মাঙলমচৎতা লমদমসিদা ফাগী হৈবা মীওই কয়া লৈরকখিবগী ৱারী, মমিং-মথা ঐখোয়না তাখ্রে। চেংবা ফাগী, য়োৎশুবী, অবুজাম্বা সাইতোন, খরিবা, চুংখা হৌদোং অসিনচিংবা। মতুং তারকপদসু কয়ানি। ঙসিগী মীরোন্না খঙবা ফাগী পুবা মীশক খরদি-তখেলম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, ওইনাম বাবু, কুঞ্জরাজ, ইতুখোম্বী, তখেলম্বম মনিকচান্দ, খুরাই মংলেম, জি.নবদ্বিপ শর্ম্মা অতৈ কয়া অমসু লৈহৌরি। হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবা অথেঙবা মতমগী ফাগী পুবা নহারোলশিং মখোয়গী মখা তারকপা হায়রগনা হুইরেম মংলেম, ধন্নবীর, সৌগ্রাকপম হেমন্তা, রঙ্গীলাল, যোসেফনচিংবা পনবা য়াই। পঞ্জরিবসি খরতনি। অনৌবা নহা ওইরিবা কয়া অমসু থোকলক্লি। ফাগী পুবশিংগী মফম অসি অতৈ মফমদা মখোয়গী হৈথোয়-শিংথোয়বা উৎফম লৈখিদে। মতম অমদা, রোয়েল রোর্ট জেষ্টর হায়দুনা মণিপুরগী কোনুং মনুংদা ফাগী তৌবা ওইনা হৌরকখি, লৈপাক নিংথৌনা মশক খঙবীখি। মখা তারকপদা মপুং ওইবা মখোয়গী হৈথোয়-শিংথোয়বা উৎফমদি মণিপুরী শুম্মাং লীলাদা ফাগী তৌবা ওইনা য়াওরকখিবদগী খঙনরকখিবনা অয়াম্বনি। মীবু নোক্নিংহনবা হায়বসিদা ঐখোয়না মখল, মওং খরা খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই। অহানবদা করিমত্তা হেক তৌদনা মশক্তা হেক উবদা নোক্নিংবা ফাওবা মীওই, ঙাঙথোকলকপদা ওইবা মহাক্কী মায়থোং, ৱাঙাঙ-শাঙাংগী মতৌদা নোক্নিংবা ফাওবা মীওই, মীতৌ তম্বদা মানমনখিদুনা নোক্নিংবা ফাওবা মীওই, মহাক্না ইচম চম্না নৎত্রগা চুম্না হায়রকপদা নোক্নিংবা ফাওবা মীওই হায়না মখল খরসি থমদুনা নৈনবা য়াই। হায়রিবা মখলশিং অসিমক্কী মীওইশিং অসিনি হৌজিক পঞ্জখ্রিবা ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়াম্না ঙন্বা মতমদগীনা হৌজিক ফাওবদা মমিং শোন্নরিবা ফাগীরোয়শিংনি। লমদম অসিগী ফাগীপুবা মীওইশিং অসিগী মরমদা অমমমতা ওইনা নৈনবদা য়াম্না চাওবা হীরম অমা ওইগনি অদুবু হৌজিক্কী ওইনা মীশক অমখক্কী মরমদা চাউরাকপা পাউদম অমখক থমজরি।

ফাগী পুবা মীশক অমা, স্কোলার অমা ওইনসু ওঝা অমা ওইনসু মীয়াম্না শীংথানখিবা জি সি তোংব্রানা হায়খি - 'ওইনাম বাবুনা কপ্পা কপ্পা মীয়ামদা পাউ তম্মী, অতাবা অউবা ময়াম্না নোক্না নোক্না তাবীখি। ওইনাম বাবুদি অশেংবা পাউ তম্বনি। ময়াম্না মদুদা নোকপীবনি।'

জি সি তোংব্রা মশামক কমেডিয়ান হায়বা মীশক অদুদি নত্তে অচুম্বা ৱা হায়বদা মহাকপুসু মীয়াম্না ফাগী হৈবা অমা ওইনা লৌনখি। ঙাঙথোকলকপদা তাবা নুংঙাইবা ওঝা অমনি হায়না শোন্নখি। ওঝা অসিনা শেমজখিবা, মহাক্না থাজবা ফাগীগী হৈকোলদা হৌরকখিবা হৈরাংখোইহৈ অমনি হুইরেম মংলেম। হুইরেম মংলেম, লমদমসিগী মীপূম খূদিংমক্না ফাগী পুবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা খঙনরকই। মহাকপু খঙবীবসি তাঙ্কক য়াম্মি। ফম্বাক লীলাদা, ফিল্মদা অমদি শুম্মাং লীলা অহুম অসিদনি। হুইরেম মংলেমনা হৌরকপদি ইম্ফাল কলেজদা মহৈরোই অমা ওইনা কলেজ তম্লিঙৈদনি। জি সি তোংব্রা ইম্ফাল কলেজগী ওঝনি। মহাক্না ইম্ফাল কলেজদা ওঝা ওইরিঙৈদা কলেজগী ওইনা শেমগৎখিবা ড্রামগী কাংলুপ অমদা আর্টিষ্ট ওইনা য়াওজদুনা জি তোংব্রাগী অচানবা মহৈরোই ওইখি। জি সি তোংব্রাগী লীলাশিং - মণি মমৌ, চেংনি খুজাই অমদি অতৈ লীলা কয়াদা শক্তম লাংবা হৌরকখি। মথং মথং লাকখিবনা ইম্ফাল কলেজগী ওইনা লীংখৎখিবা ড্রামাগী সংস্থান অসিনা সোসাইটি থিয়েটর ওল্লকখিবগী ৱাফমসি লাকখি।





ওজা জি সি তোংব্রানা মহাক্কী লীলা ঙবোংখাও অসি সোসাইটি থিয়েটরনা শান্নবা হৌরকপা মতমদা হুইরেম মংলেমসু অচঙবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা শক্তম লাংদুনা য়াওবা হৌরক্লে। কলেজগী মতমদা খরা খরা হুইরেম মংলেমবু খঙবা হৌরকখিবদু সোসাইটি থিয়েটর লাকপা মতম, ঙবোংখাও ড্রামা অসি মীয়াম্না চেরিটি লৌদুনা কন্না শান্নবা মতমদগীদি হুইরেম মংলেম মীয়াম্না ফাগী পুবা অমা ওইনা নীংথিজনা খঙনবা হৌরে। হুইরেম মংলেম ফাগী পাম্না লাকই। মহাক্না ঙাঙথোকলকপদা, মহাক্কী আর্ট এক্টিংদা নোক্নিংবা মতৌ অমা লোইনরকই। অসিগুম্বা মতৌ অসি হেন্না পকশিনখিবা চুনখিবসি জি সি তোংব্রাগী লীলাশিং য়াওরকপদগী ওইখি হায়বসিমদি ময়েক শেংই। জি সি তোংব্রাগী লীলা 'লৈশাবী চিথি খেলা' দা ফাগীরোই অমা ওইনা শক্তম লাংদুনা কুমখি লীলা অসি অসামদা পাংথোকপা ড্রামা ফেষ্টিভেল উৎলুবদা শিনবি-লাংবিখিবা অসাম সাহিত্য পরিষদনা হুইরেম মংলেমবু ' মহেমুদ ওফ মণিপুর ' হায়না মিংথোল পীরকখিবগী ৱাফম থৌদাম রুহিণীকুমারনা পুথোকপা নোকফদে ফিল্ম প্রোফাইলদা ময়েক শেঙনা পল্লি।

করিগুম্বা ৱারম খরদগী সোসাইটি থিয়েটরগী কাংলুপ্তুগী মতম খরা লাপথোক্লরক্তুনা লৈখিবগী মতাং অমা থোকখি। পোত্থাবা হৈতবা, তুমিন্না লৈবা ঙমখিদবা মতম ওইখি। হুইরেম মংলেমগী লূনা তিন্নজবা অয়াম্বা মতমদা 'ইতাও' হায়না লোয়নজবা আর্টিষ্ট, রাজেন ভোজাই অমদি অতৈ মরুপ-মপাং আর্টিষ্ট খরগা পূনশিন্নরগা 'কৃষ্ণ বাইলীলা' হায়বা নোক্নিং লীলা অমা শাফোংলুবদগী মীয়াম্না হুইরেম মংলেমবু 'কৃষ্ণ বাইলীলা'গী কৃষ্ণ শাবা হায়না হেন্না খঙনরকখি। মহাক্না হায়খিবা ডাইলোগ 'তূম্বা য়াহৌরকপসি য়োংচাক শীংজু চানিংঙি' ঙসি ফাওবা নীংশিং নীংশিং নোক্নরি। মসিনা নাকন অমা ওইরগা অমুক অঙনবা মতম চৈচৎ কুমশীং ১৯৭৪দা এন এস ফিল্মসনা পুথোকখিবা জি সি তোংব্রাগী 'লমজা পরশুরাম' ফিল্ম অসিদা তোমাল কৌবা পরশুরামগী লুনা তিন্নজবা মমান্নবা অমগী শক্তম লাংখি। মহাক্না ফিল্ম অসিদা উৎখিবা নোক্নিংহনবা মতৌ, চম্না ঙাঙখিবা, লৌথুপ-লৌকোই য়াওদবা অচম্বা ৱাঙাং অসিনা মীয়ামবু শুম্হৎপা ঙমখি। ঙসিফাওবা কাওবা ঙম্নদ্রিবা ফিল্ম অদুদা শকখিবা ঈশৈ অমা- 'হো ইমাগী মমৌ, ঐহাকপু থাজৌ ঐসে নঙগী ওইদৌরি।' হুইরেম মংলেমগা চান্নবা ঈশৈ ময়েক অমদি শৈহেক্লি। ঈশৈ অসি হেক তাবদা ঐখোয়গী মিৎমাংদা হুইরেম মংলেম চোংথোকলকই, তা তোমাল উরকই। মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারীদা খ্বাইদগী কাওঙমদবা, মীয়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ অমসু ওইখি। মতম অসিদা রুপ রাগ হায়রিবা ঈশৈগী কাংলুপ অসিগীসু মপান ফরকপা মতম ওইরকখি। রুপ রাগনা শুম্মাং খূদিং কোয়না ঈশৈ চৎলকপদা ঈশৈ অসিমক্কী প্লেবেক সিঙ্গর ওইখিবা খুন্দ্রাকপম জরকুমারনা (খুন জয়কুমার) ঈশৈ অসি শৈফম খুদিংমক্তা য়াম্না থৱায় য়াওনা শকখি। করিগুম্বা মতমদা হুইরেম মংলেম মশামক শৈফমদা য়াওদুনা এক্তিং তৌখিবসু লৈখি। য়াম্না পকচখিবা কাওঙমদ্রবা অমনি। ফম্বাক লীলাদগী মণিপুরী ফিল্মদা অমুক, অফবা ফাগী পুবা এক্টর অমা ওইনা মফম কল্লকখি। মথং মথং মণিপুরী সিনেমাগী চাউখৎলকপা মতমসু ওইরকখি। চৈচৎ কুমশীং ১৯৮১দা এক্স সিনেনা পুথোকপা 'ইমাগী নিংথেম' ফিল্ম অসিদা খুঙ্গংগী অচম্বা ওঝা অমগী শক্তম লাংখি। মদুসু য়াম্না চুনখি। ফাগী পুবা মীশক অমনা ওন্নবা করেক্টর অমদা শক্তম লাংখি। হুইরেম মংলেমগী এক্তিংদা য়াম্না সেরিয়স ওইবা রোল হায়রিবা ফিল্ম অসিদা উবা ফংখি। হুইরেম মংলেম পার্ফোমিং আর্টকী লমদা মায়থোং য়াম্মি। মশক ওইনা থোকপা নত্তবা, খোঞ্জেল ওইনা পুথোকখিবা মীয়াম্না কাওনবা ঙমখিদবা নোক্নিং ওডিও কেসেট মোইরাংথেম ইনাওগী 'কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাও' অসি সুপর হিট ওইখিবা অমনি।

মহাক্না য়াওদবা লৈতে, হৈতবা লৈতে। থৌদাম রুহিনিরুমারনা পুথোকপা 'নোক্‌ফদে' ওডিও কেসেটকী সেরিজশিংদসু অখন্নবা এক্টর অমনি। এপিসোদ কয়া লৈখ্রে। শুম্মাং লীলাদসু য়াওই। সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েনগী লীলারোই অমনি। টি.ভি. সেরিয়েল,রেডিও লীলাশিংদা মহাক্কী মফম লৈখ্রে। ঙসিদি লমদমসিগী মীপূম খূদিংমক্না মহাকপু অফবা ফাগী পুবা এক্টর অমা ওইনা খঙবীরি। অদুবু মহাক মণিপুরী খোরিরোলবু পামজবা মীশক অমনি হায়বসিমদি পাক শন্না খঙবীদবগুম্নসু তৌই। মশামক্কী অফোঙবা লাইরিক লৈত্রগসু অইবা অইবী কয়াগা লোয়নবা পামজবা মীশক অমনি। ঐহাক্না খঙজবদা, মশক নাইখিবী অইবী ইমাসি এম কে বিনোদিনীগা নক্নখি, লোইনখি। লুনা-চান্না তিন্নখি। ইমাসিনা-' মংলেম নংসিমা' হায়না শাওনা চৈরকপদা-'ঐগ্যা' হায়না শোন্থনা খূমলকপদা ইমাসিনা শাওবা ঙমখিদবগী ৱারীসু লৈখি। জি সি তোংব্রাগা নক্নখি। হৌজিক হৌজিকমক, দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী অচঙবা মেম্বর অমা ওইদুনা লমদম অসিগী অইবা অইবী, ওঝাশিংগা লোইনদুনা চৎমিন্নরি। মহাক বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরী ফাওবা ওইদুনা সরকারগী থৌ পুরম্লগা ২০০৮দা থবক্তগী পোত্থখি। থবক্তগী পোত্থরে হায়দুনা তুমিন্না লৈখিদে পামজবা লীলা, ড্রামা, ফিল্মশিংদা অঙম্বা থক্তা ফাগী পুবা অমগী শক্তম লাংদুনা লাকখি। শুম্মাং লীলা য়াওখিবসি থবক্তগী পোত্থরবা মতুংদনি। খুৎই য়াম্না ফজবা মীশক্লি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরগী ক্লাস টেনগী সার্টিফিকেট ইবসি অয়াম্বা মহাক্কী খুৎইদনি। অপোকপা পাবুং হুইরেম তোন, মতম অমগী লাইয়েকপদা মমিং লৈখিবা মীশক্লি। মদুগী য়েক-খোৎপগী সমিন খরদি হুইরেম মংলেমসু লৈখি। ঙসি মণিপুর শুম্মং লীলাগী নুপী শাবী অমা ওইনা মীয়াম্না খঙনরিবা হুইরেম বিসেস মহাক্না পোকচবা মচানুপানি। আর্টকী লমদা চাদা-নাওদা ফাওবা থংথদুনা লমদমসিগী নাৎকী মফম অমা কন্দুনা লাক্লিবা লমদমসিগী তাংলবা ইমুং অমসু ওইরিবনি। লাইবক থীবদি মীয়ামগী তাঙলবা আর্টিষ্ট,হুইরেম মংলেম হকচাংগী অরুবা অনাবা অমদগী অনা লায়েংশঙদা য়াতাদুনা লৈরকপগী পাউ মতম কুইরে তারখিবা। ঙসি মশাগী চহী ৭১ মপূং ফারকপাসিদা মহাক্কী হকচাংনা ফগৎলক্তুনা অমুক হন্না মীয়াম মাঙদা থোকলকপা, মীয়ামবু নোকহন্দুনা ফম্বাকথক্তা শক্তম লাংলখিবা, মচা মনাওশিংবু নুংশিনা লোয়নবা ঙম্নবা তাইবঙ মপুগী মফমদা নীজরি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

## নিংঙোল চাক্কৌবা

**"করি করি থোংলম্বা?"**

"রৌ অমা অদুগা অতৈনা পামজবা উকাবী অতাওবা অমসু য়াওই, অতৈ মথেলদুদি য়াম্মী। ইমানা ঐদি শিংজু পামজবনি হায়দুনা হৱাইমতোন শিংজু অমসু শুবিরম্মী, য়াম হাউজাৎনি"

"নবুকপু থল্লকপরো"

"কৈনো চাক্কৌবা চৎলগবু পুক থন্দে হায়ব্রো?"

"অদুনরা হৌজিক নুংদাং চাক চাদ্রিসে"

"উম মানি"

কয়াদা নুংশিনা মপুরোইবনা মাবু লুনা তৌবিখিবা। মাগীদমক পীরকপা দক্ষিনা ময়াম অদু পুথোক পুথোক্তুনা মপুরোইবনা মীতানা য়েংজরিবা, হায়বদবু ফজদবগী ৱানি মনম্মনা পীরকপা ফনেকতু ফাওবা তিংথোল্লগা নুংদাংদুদা পকচব্রা য়েংগে শেৎলু হায়না ফম্মাংদা শেৎহনখিবদো, করম্না সনাতোম্বীনা কাউগনি, কাউবা শুকঙম ঙমদে। চাক্কৌবা নোংঙানবগী অযূক্তা চা অমত্তং থল্লগা থবক চৎকনি হায়না পুকমেন পাউমেন্নরমখি।

"ঐ চাক চাদুনা লৈরদি মী উনবা নংহৌররোই। থবক শুবগী শেল পীফম থোকপা খরা অদুদা ফাওবা চাক্কৌবা নংননবা পীবিয়ু হায়ববু হেক পীদবা। নঙনা নপামদা যুবী অকংবা অমখক য়াল্লগা চৎখিবদু ঐ য়েংবা ঙমখিদে। অদুবু করিদি উপাই লৈ। থিকাদারদু চৎথোক্ত্রিঙৈদা অমুক্তা উনহৌরুখিগে। মীগী খূৎশুমন মতম চানা পীবিদবসি য়াম্না নুংঙাইতে। হোরেন হল্লক্লগা চাক্তো চারগে" হায়না হায়না চা অঙাংবদু থল্লগা অহাংবা গ্লাসতু পীরম্লগা,

"ঐ চৎলে" হায়রগা চৎকে তৌবদা সনাতোম্বীনা তনখাম খামখি।

"চৎলে হায়গনু তৌহৈদে চৎলুখিগে হায়য়ু"

"হোইনে চৎলুখিগে" হায়রম্লগা থোকখিবনি।

সনাতোম্বী অরৈবা খরা থোংলগা চাদনা মপূরোইবা হল্লকপা ঙাইখি। নুংথিলগী পুং অমা তারফাওবা হল্লকখিদে। কদাইদা চৎখ্রবনো, থেংঙেদা হায়না সনাতোম্বীনা নুংশা থিবা হেনগৎলকখি। নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপদনি, মহাক্কী মপূরোইবা গাড়ীনা থোমজিল্লমদুনা অশিবা হকচাং ওইনা মোর্গতা লৈরে হায়না পাউ পীরবদু।

ফমুংদা ঙসাই মখৈ হিপ্তুনা মাগী ফম্মাংগী টেবল মচাদুদা থল্লিবা মপূরোইবগী নোকফেৎ তৌদুনা নম্বা ফোটো অদু মুন্না য়েংদুনা মমিৎ অনীমক্তা পি মরিক-মরিক চেন্থরি। মখূৎনা চেন্থরক্লিবা পিদু তৈথোল্লগা ফমুংদগী হৌগৎলকই। থোঙনাও ময়াদা লেপ্তুনা মচে অনীনা মখোয়গী মাঙ্গোলদা নহান চাক্কৌবদা পীরকপা দক্ষিনা ময়ামদু পুথোক্তুনা নোক-নোক্তুনা য়েংনবদু য়েংলি। সনাতোম্বীদি মপূরোইবা লৈখিদবা চহী অদুগী মতুংদগী অমুক হন্না চাক্কৌবা চৎখিদ্রবনি। মপামগী মীনা ফনা য়াম্না হায়রবসু মহাক্না অমুকফাওবা য়াখিদে। অপীকপা মচা অদুগী খন্দুনা মহাক খুদিংমক থাদোল্লগা যূমদুদা খাঙলি। নহান চাক্কৌবা নুমিৎতুসু, অপীকপা মচাদু চেৎনা কোন্দুনা নুমিৎ চূপ্পা অমা ফমুংদা কপ্লগা খাঙখিবনি। ময়াম্না চাক্কৌবা চৎনবা লাংবা হৌরকপদা কৈসু খঙজদ্রিবা মচাদুনা মাসু চাক্কৌবা চৎকনি হায়না নিংঙাই তৌরকপদা মী তাখিনি হায়দুনা সনাতোম্বীনা কয়াদা ৱানা মচাবু থেমজখি।

"ঐখোয়দি চাক ঙসি কৌরোই, হয়েং কোন্না কৌগনি, সে ইচাদি মরম মোকপনি, ঙরাং ইমানা লৈরকপা অচাপোৎনি সি চারগনে নুংঙাইনা তূমথোকউ। হোরেন ইমানা ইচাগী অহাওবা থোংলগা পীজগনি।"

সনাতোম্বী মচাবু অচাপোৎ পীদুনা থেন্মগা ফমুংদা তূম্বা থেমখি। অঙাং অদুদি মোল্লবা মমাগী মখূৎনা নানবীদুনা হুম শুম্লকপদা তূমথখিবা খঙহৌদে।

*-নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## ঙসিতা নীংশিংলকই

**হোস্পিটালদনি**

কনানো নারিবো

ইমানে

করি ওইনা ঙমদবনো

খঙদে, ওপরেসন তৌবনে, থৌগলবু তৌবনে ওন্থোক্লা ৱাখ্রে।

ইমাগী থৌগলবু ৱাই হায়ব্রা, ঐখোয়গীদি যূমশকৈশা নুমিৎতা ওপরেসন তৌনি হায়। থৌগলবুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থোইনা লৈতে (শোন্থাংননা খুন্মী)

কুমজা ১৯৮৩গী ইম্ফালগী তুলিহল এয়রপোর্টতা জেট প্লেন তরক্লা এয়র দিসপ্লে উৎপগী মখোলগা চপ মান্নবা গ্যাস ষ্টোবশিংগী খোঞ্জেল মরক্তা খোন্থাং নাইনা থংনবা অনীদুনা ঙাঙনরকই।

গ্রাউন্দ ফ্লোরদনি।

ৱারী মখা অসুম চথৈ। ঐসু মবানিগী ৱারীদু তাবদা নুংঙাইমনখিদুনা ঙাইহাক লেপ্লগা তাই। অদুবু মবানিগী ৱারী তারগা ঐখোয় চাকতি পোপ লাউনা তারক্লোইদবনিনা চাক থোংফমদা অদুম চঙলে। অঙ্কল চান্দ ইবান্নি ময়ামদগী খরা লাপতক থোংঙি, য়াম্না কোম্না। ঐখোয়নীনা থৌগল তৌরিবা অনাবা অনীদুসু হিন্দু লাইনীংদদি থোইদোক্না কা হেনবমক নৎত্রবসু মতোনদি লোমজরিবনি। অদুনা খরদি জতন তৌজৈ, ইরুজদবা মরক্তুদা ইরুজদনা।

ঐদি যূম পাল্লদি লম লাপ্পা পানগনি

করিগী তন্দ্রা

তল্লোই, করিগী তল্লুনি

নপাম চৎপা ৱারোইদ্রা

ৱারোই, নুংবু নুংঙাইনি, নোংমা ফাদোক ইপাম চৎপদা, থাপ্না গাড়ী মচাগা তোংমিন্নদুনা চৎপদো পাম্বৈৱানি

গাড়ী লোইরমদ্রবদি

লৈথোল্লগা লোইরে কৈনো

য়াই

মথং নুমিৎনি।

সেকেন্দ ফ্লোরদনি

মবান্নিদা নত্তে অতৈসুনি। ময়াম হৌ হৌ নংহৌররোই মতাগুম চাক থোংনৈ। অঙকপনি, থৈনফমফাও হেক লৈতবা মখৈ ময়ামসি চৎথোক চৎশিন লম্বী অদুদা তৌনরিদু। তৌদবসু য়াদবা লৈঙাক্না চাক থোংফম তোঙান্নদি পীদবনিনা।

অমরোমদনা, লৈখিদ্রবী কনাগী খোঙ চেজেৎ কোল্লগা মশাবী কনানা শেংফাৎতবা তেংথা খোঞ্জেল, ডোক্তরশিংনা থৌশাবীদে খন্দুনা খাঙবদা ৱারবা অনাবা কয়ানা যূমদা হল্লসি, লাকমিন্নবদা তকপগী খোঞ্জেল, খোঞ্জেল ময়ামগী মরক্তা তাইবঙ শেম্বগী ৱারীসু মচি মচিদা ঙাঙনরি। পূমনিল হেক নিল্লি। কনামনা থাউ ঙৌশিল্লকই, কনামগীনা চফু শৌজিল্লকই, মখূৎতগী খাবৈ পুখমথক্তা তাদুনা খংনবা কয়া ইখংহেক খংনৈ, ৱা ৱা নোকনৈ, মতমদো অৱাবা অমত্তসু হেক য়াওনদে। ময়ামগী কুম্দেদু য়াওদনা মমিৎতা পিগী ইরা চদুম চদুম শিন্থরগা ৱা ইঙাঙ ঙাঙদনা চাক থোংবসু ময়াওরি। ঐদি ইকায়জৈ মতমদো, মশক মতৌসু মফজে। ফীভম মুর্ত্তিসু চঙখোল্লি। শেৎলিবা ফিজেৎ অদুনসু অউবা কয়াগী মিৎফম হোংহনদে। লমচৎ শাজৎ কয়াগাকতি হায়বা ঙমদে। মখোয় অনীগী মিৎয়েং নায়েংদো। নুপীদুনা য়েংলকপদো মঙোন্দা ওইরমাল্লে, ঐঙোন্দা পান্দুনা ঐহাক চৎপা ঙমদদুনা ঙাইহাক মিৎচানৈ। ঐহাক খোঙফম শেম্মী। মকলাপ শোনবা মীগাক ওইরদি লোংনা হাইথুগনি হোস্পিটালগী লৈমায়দুদা।

নুমিৎ অদুমদি তেক্কি মনাক্তনি, ফি শুমিন্নৈ। ঐসু ফি খরা শুই। ইনক নক্না অদুম শুমিন্নবনি। মবানি ৱারী হৌরকই। ঐসু শুম তাই ৱারীদো-

কদাইদগীনো

গাড়ী পুনফমদগীনি

সোমদি

নুমিৎ থোকফমদগীনে

অদুদি লাপনৈনে কো

উং লাপনৈ

পুল্লদি নক্লনিকো

নোকমিন্নৈ শিথ শিথ মখোয় অনী। ঈশিংসু চাইনরকই ঐঙোন্দসু চোংই। কৈসু উবীপোৎ নত্তে। ঙসাইগী হংলক্লদি খুল্লমগদবনি ঐসু নুমিৎ তাফমদগীনে। হংলক্লে। ইতোমতা নোক্লগা অপোকপগী মনাক্তা থৌগল তৌবা লাক্লে, ফিশিংদু পুরগা। মতম্না কনাবুসু ঙাইবিদে। নুমিৎ তাখ্রে। তূম্বা য়াদবা নুপা ওইবা কয়ানা অনাবগী ফমমাঙদা ফম য়েক্না লানফম ময়ায়দা মায় পাক্তদ্রা নেপোলিয়ন গেম মতোমতা উংজৈ। মঙা কোয়শিন, তরা কোয়শিন খরমনা, ফংলে হীদাক লৈনগে ফংদ্রে, সাহেব বিবি কোল্লগা ফুরিৎখাও মনিং মমাঙ ওন্থোক্তুনা ইনুং ঙানবা মঙাইনৈ। থম্মোয় শোনজবী কয়ানা নোংমা নোংমা হৌখিদুনা করি থোক্লগবা মৱাজৈ। লাপ্পা লাপ্পা লাক্লবৈ, খঙনদবসু খঙনবৈ, অমনা অমবুদি নুংশিনৈ। চৎখিবসু কোঙ্গায় লৈহৌবসু কোঙ্গায়, অরাকপসু কোঙ্গায় তৎপা হেক লৈতে মীনা লম্ফেল হোস্পিটালসে।

মথংগী নুমিৎনি।

অযূক্কী পুং ৯.৩০ দা ডাক্তরনা অনাবশিংবু রাউন্দ চেকঅপ তৌবা লাকত্রিঙৈদা চাক থোংবা লোইগদবনি। ৱারী তারিঙৈ, ময়ামগী মতৌ য়েংলিঙৈ থেংদোকখ্রে। নুমিৎ অদুসু হোবে হোবে হোৎনৈ। ষ্টোবসু মুৎখ্রে। যূমগী ভাবতা শিংনা থোংবনি খন্দুনা মৈখেৎতি খেৎতনা ফু লাউনা কামলুই। ঐগী ইতুংদা ডাক্তর মিস অনী লাক্লম্মী। ঐগী ৱাখলদু মিস অনীদু খঙমাল্লে। ইংমন্দুনা তন্দন ময়াম ফারগা শ্বরনা কামলুবদা মৈ হৌরক্তুনা হেরো মমায় চাকখি হায়বনিকো। ৱাদু তাবদা ঐসু হংগৎনা মঙোন্দা য়েংখৎলুই। তবাবী চিনবান্দুনা নোকফেৎ তৌদুনা য়েংলম্মী। ঐসু মোমোন নোক্লগা কৈনোমা খলহৌই। মবান্নি নোক্ল নোক্লগা কুমথখ্রে। লৈরম্বা খরসু নোক্ল নোক্লগা চৎনখ্রে। ঐসু কোন্নথংদা ইকায়রপ নোক্ল নোক্লগা লৈহৌরে।

নোংঙাল্লে।

ৱা ৱা লাউনৈ। করিনো করিনো হংনৈ। অনাবা থৌগল তৌবা লাকপা লাকপী অনীদু চেনখ্রেয়ে।

হায়মা অদুদি অনাবদশিংদুদি কনানা থৌগল তৌবীনি।

অনাববু কনানা থৌগল তৌনিগে, নাপেৎনা তৌবা য়াব্রা, নর্সনা তারেদনা।

ঙসিদা নীংশিংলকই কুমজা ১৯৮৬কী থৌদোক। ৱারী শান্নদুনা ঐখোয় ময়াম ৱা ৱা নোকমিন্নখিবদো। খঙদেদা হোস্পিটালসে সংসারসিগী মনুংদা সংসার অমনিকো।

*-খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর অঙোম, কুম্বী*